# “লানসিগী ৱারোইশিন অথুবদা পুরক্কদবনি”

## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র



প্রসিদেন্টস রুল লাক্লগা খরা ফগদরা, অওনবা অহোংবা অমা পুরক্কদরা হায়না মীয়াম্না খন্নরম্বদু করিসু অহোংবা পুরক্তে। নার্কো টেররিষ্ট কুকিশিংনা মীতৈ খুলশিং তম্না মতা ফবা চীংমাইদগী নোংমৈ, বোম কাপথরকপদুদি লেপহনখ্রে হায়বা তাবনি। অদুবু চহীসিগী মার্চ ৮-দগী ফ্রী মুভমেন্ট লৈহল্লগনি হায়না মাঙজৌননা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাউথোকখ্রবসু মদুবু থবক্তা ওন্থোকপা প্রসিদেন্টস রুলনা ঙমখিদে। অমরোমদা, মণিপুরদা চলাইরিবা প্রসিদেন্টস রুল অসি বি জে পিনা লুচিংলিবা এন দি এ লৈঙাক্কী অতোপ্পা শক্লোন অমনি। শক্তি লৈখ্রবা মালেমগী মিলিটরি পৱারদা মরিশুবদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাকসিনা মীতৈশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট লৈহনবা ঙমদবা, মীতৈশিংবু কুকিশিংনা তাবা মফমদা চৎহনবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো? মনুংদা করম্বা অরোনবা এজেন্দা লৈরিবনো? কুকিশিংনা অপাম্বা মওংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক অমসুং প্রসিদেন্টস রুলনা লৈঙাক চলাইরিবসিনা ইন্দিয়াগীঅপূনবা শক্তম করম্না কায়হন্দনা থমগদৌরিবনো হায়বা ৱাহং কয়া থোরক্লি। মে ৩,২০২৩দগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা নমদুনা থোকহনখিবা লান ঙসি ফাওবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লোইশিন্দনা থল্লিবসিগী ৱাহন্থোক করিনো?

লমদমসিগী খ্বাইদগী লিরবা য়েলহৌমী মীতৈশিং পীকখ্রবা মণিপুরসিগী চাম্মগী মনুংদা তরাসু য়ৌদবা তম্পাক্লম অসিদগী হেন্দোকপা য়ারোই হায়দুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লি। মরমদি কুকিশিংনা তাবা মফমশিংদা মীতৈশিং চঙলকপা য়াখিরোই, বফর জোনগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্কদবনি হায়না কুকি টেররিষ্টশিংনা হায়রি। মণিপুরগী তম্পাক্লমদগী চীংগী শরুক খরা কাখৎলুবদা কুকি খুলশিংদি অদুমক লৈরি। অদুনা মীতৈশিং অচৌবা জেল অমদা লৈবগা পাজ্জক ওইরি। অসুম্না মীতৈশিংবু ফাজিন্দুনা থম্বসিনা মীতৈশিংদা অৱাবা চৈথেং অসুক্কী মতিক পীরবনি। মীতৈশিংগী হিংননবগী লম্বী পুমথৎ থদৎলিবনি। ঐখোয়না য়েংবা য়াই। লৈঙাক্কী থবক তৌবা তোলোপ চাবা মীওইদি খরখক্তনি। মীতৈ কয়ামদি নেশনল হায়ৱেশিং লাল্লগা গাড়ী দ্রাইভর ওইদুনা পূন্সি হিংনরিবনি। লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈরবা মীওই কয়ামসু লৈঙাক্কী থবক ফংহৌদবনা মোরেদা, দিমাপুরদা, জিরিবামদা চখোক চৎশিন তৌদুনা করবার মচা মচা তৌদুনা হিংনরিবনি। মখোয়সি নত্তবদা অমুক অহল-লমন, ইমা-ইবেলশিংনা মহৌশাদগী মখোয়গী চান্নজবা শিনফমদা লল্লোন ইতিক তৌবগী হৈনজবী আ মমাঙঙৈদগী লৈরক্লিবনি। মদু পূম্নমক্তু কুকি টেররিষ্টশিংসিনা থোকহনবা লানসিনা পুমকায় কায়হল্লবনি।

মীবু ময়ূম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনবা মদুসু মপী মপা ওইরিবা লৈঙাক্না অসুক কুইবা মতমসি লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং মশা মশাগী লৌরি য়ূম্ফমদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবীদবা সিবু লৈঙাক্কী করম্বা থৌশিলনো। হায়রুরগনা অখণ্ড অহৈশিং য়াওনা লানসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতম কুইনা চঙখিগনি হায়না তত্তনা হায়রি। করি তৌবগী চঙগদৌরিবা মতমনো হংনীংই। লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈশিংনা কনাদা করি লাল্লুবগীনো অসুক কুইনা ৱাহন্দুনা থল্লিবসিবো। কুম অমগী হরাও কুম্মৈনা লাকপদা নুংঙাইবা, হরাউ তয়াম্বা পুরকপগী মহুত্তা লাঞ্জেন্নরিবা আই দি পিশিংদদি হেন্না অৱা চৈনা পীররি। মীতৈশিংগী খ্বাইদগী নুংশিবা নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদসু অদু মঙাই। নিঙোল ওইবী কয়ানা মপাম লমদমদা মবুং মৌপ্পা, মমা মপাশিংগা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম য়াওমিন্নবা তারু-উরুরগা লাঞ্জেন্নরিবা নিঙোলশিং মবুং মৌপ্পা ওইবশিংদদি থম্মোয়দা তাশোন্না থিনবা ওইনা থোক্লিবনি। মমাঙগী চহীদসু লাঞ্জেন্নরিবা নিঙোল ওইবীশিংগী মিৎলুদা পিরাং ঈহৌই। হন্দক্কী চহীদসু নুংশিরবা নিঙোল চাক্কৌববু নীংশিংলগা কপ্পী। মথংগী চহীদসু অসুম্না সুম ইশাগী লৌরি য়ূম্ফমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা কপ্তুনা লৈগদৌরিবরা হায়বগী ৱাহং মতোমতা হংজদুনা ৱাখল ফুম্বংনরি। তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানবুদি শোন্থরবা থম্মোয় খরতা ওইরবসু ফাথনবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম শীনবীরি। অদুবু ইশাগী লৌরি য়ূম্ফমদা নে তানা চাক চখোম অমা মবুং মৌপ্পা, মমা মপাশিংগা চামিন্নবগী মহাউদুদি ফংবা ঙম্লোই। অদুগুম্বা নুমিৎতুনি লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈ নিঙোলশিংনা ঙাইজরিবসি।

১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মতমসিদা থোক্লক্লিবা মে ৩, ২০২৩দগী শমথরক্লিবা লান অসিনা মীতৈ কয়াগী পূন্সি কাং-খোং চাইহল্লে। থৌদোকসি মণিপুরগী পুৱারীদা অমম্বা তাঙ্কক অমা ওইনা অদুমক লৈহৌরগনি। অদুঙৈগী চহী তরেৎ খুন্তাকপগী ৱারী ঙসিসু মীতৈশিংনা চিন্থাং য়ৈনা পাউদম্নরি। চহী তরেৎ খুন্তাকপদুনা মরম ওইরগা মীতৈ কয়া য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংদা মথ্বায় হিংনবা লাঞ্জেন্নখিদুনা মখোয়গী চাদা নাউদাশিং ঙসিসু ম্যান্মারদা, বাংলাদেশতা, ত্রিপুরাদা, অসামদা খুন্দারি। লৈফম লৈফমদুগী মতুংইন্না মীতৈলোল ওইরবসু অসুম অসুম থৈথরক্তুনা ম্যান্মারগী মন্দলেগী মীতৈশিংনা ঙাঙবা মীতৈলোলদি লৌশিনবদা ৱারি। অদুবু ঈগী মরীনি, মণিপুরদবু লৈরবসু, ম্যান্মারদবু লৈরবসু মালেমগী মফম অমদা লৈরিবা মীতৈশিংনা অৱা অনা তারক্লবদা ঐখোয় মশেল তেংবাঙনরি। ঈগী নুংশিবা মরী তৎফদে। নুংশিনবগী মরীনা চেৎনা পুল্লিবমখৈ মীতৈশিংনা মালেমদা তোমথিন ওইনা ঙাল্লখিগনি। অদুঙৈ কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবগী অৱাশিংগী মখূৎতা চহী তরেৎ চূপ্পা মণিপুর খুন্তাক লানশিখিবদি নিংথেমচা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিংহ মচিন মনাওনা লাঞ্জিংপুরেল ওইদুনা ইংরেজশিংগী মতেং লৌদুনা অৱাশিং নীংথি তুরেল ৱাংমা লান্না তকথোকখিদুনা মণিপুরগী নীংতম্বা অমুক হন্না হঞ্জিলহনখি। ঙসি মণিপুরদা মীতৈশিংনা লঞ্জেন্নরিবা মীতৈশিং মশাগী মরমদমদা ফ্রী মুভমেন্ট ঙমদ্রিবা অসি মখোয় মশানা মশাবু দবল ইঞ্জিননি হায়জবা মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক অমসুং সেন্টরগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মতমদা থোক্লিবনি। অদুনা মথংগী ১৩শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মতম লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল অদু মখোয়না হঞ্জিলহল্লমগদবনি।

লৈবাক্কী লুরবা মতমদা ফম মুন্নবগী করি ৱাহন্থোক্লো। মীয়াম্না শীন্নরক্লিবা দেমোক্রেটিক রাইটস অদু শীজিন্নদুনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুশনগী ফ্রেমৱর্ক মনুংদা এম এল এ অমগী শক্তি শীজিন্নদুনা লৈবাক মীয়াম্বু তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল অমদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবা হায়বসি মীহুৎশিংগী থৌদাংনি। লৈবাক মীয়াম্না হা-কার লাউনা ৱারগা ফমথোন লান্থোকপীরক্কদরা হায়দুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংগী য়াকা ইন্দুনা চৎপনা লৈবাক কাং খোং চাইবা নত্তনা করিসু পুরক্লোই।

লোইশিল্লকপদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা য়ুনিয়ন লৈঙাক অমসুং ষ্টেটসি চলাইরিবা প্রসিদেন্টস রুলনা অথুবা মতমগী মনুংদা মীতৈশিংবু মণিপুরদা ফ্রী মুভমেন্ট লৈহনগদবনি। লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং , ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পর্সনশিং অথুবা মতমদা লৈঙাক্না মশা মশাগী লৌরি য়ূম্ফমদা হঞ্জিলহনগদবনি। মখোয়না মশাগী লৌরি য়ূম্ফমদা হঞ্জিল্লবা মতমদুদা লৈঙাক্না মণিপুরদা শান্তি, তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লে হায়বদুগী খুদম চাংদম ওইগদৌরিবনি। চথরক্লিবা লানসিগী ৱারোইশিন অমা লৈতবনা চীংখোঙ চীংয়াদা লৌরোক পান্থাসিদা লৌ য়ৈরিবা মীতৈশিং শিন্থা পাংবদা নে তাদ্রি। নোংমগী শুজরগা হিংজরিবা মীওইশিংগী পূন্সি অসুক্কী মতিক ৱারি। অদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা লানসিগী ৱারোইশিন অমা য়ুনিয়ন লৈঙাক অমসুং প্রসিদেন্টস রুলনা পুরক্কদবনি হায়বা ৱাফম থমজরি। ●

# ৱাঙাঙ নুপা ৱাখল মমা মায়থোঙ য়াম্বী অইবী ক্ষেত্রি সুবদনি

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



কনানবু ঙম্বা থবক্লো। নুপীনা ওফিসর ওইবা অরাইবা নত্তে। অখঙবশিংনা সুমাইনা হায়বগী ৱানি, খঙবীদবা ইমুংনা মশীং হেল্লি। লমদমসিগী নুপী ওইবীশিংনা য়ূম পাল্লবা মতমদা নান্থোকপা য়াদবা মথৌ খরদং পল্লবদা য়াহৌ ঙনবা, ইমুংগী কুপনোম, লাইগী-তীলগী-মীগী, খোখোপ্পা নুপীনা তৌদবা য়াদবদৌনা নুপাশিং অমদি মনেম মকুশিংনা খাকপীদুনা থম্বা য়ূমগী মৌ অমগী মথৌনি। নুপী ওইবীনা য়ূম পাল্লবা মতুংদা মীয়াম্না পীবিরিবা য়ূম্বুরেম্বী হায়বা মিংথোল অসি নুপীগী মপোকপু ইমুংদা মীয়াৎ তাহনবগা চাংদম্নবী কনানো হায়রগদি ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনিনি। চাকথোঙ ফৌসু ফিশু ফিজাম তৌনা তৌনা মীওইবা অমনা তৌবা থবক মহাক্না কান্থোক্লগা চৎতে। চাক থোংবদা নোভেল নৎত্রগা ন্যুজপেপর পাবা করি কায়বগে। ওফিসকী খূৎয়েক পীনা পীনা লাইরিক ইবা কৈদৌগে। নোংমগী মনুংদা পুং ২৪দি তূমগদবা নত্তে। পুং ৬ তূল্লবদি চপ চারেনা। লেল্লিবা মতমদুদা পাঙথোক্লিবা পূন্সি শিন্থা কয়াগী মহাও পীবা থুম মোরোক ফদিগোমগীমচল লাইরিক ইবনা ওইরবগী ৱানি। লৌমীশিংনা ফৌ পুথোকই। অইবা/অইবীনা লাইরিক পুথোকই। লমদমসিগী ওফিসর নুপীলক্তগী লাইরিক খ্বাইদগী মশীং য়াম্না পুথোকপী সুবদনি নৈনদনা মণিপুরী সাহিত্যদা ইনোৎ পীবা মপূং ফাদবা য়াই।

মচা পিবা অমগা নিঙোল অমগা অনীদংগী মমা ওইরুবনরা খঙদেকো অঙাংবু য়াম্না নুংশিজৈ। অঙাংশিংগী পানবা লাইরিক য়াম্না ইখি। নুপী অঙাংগী লোয়শঙ, সোশল ৱেলফেয়র ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর মতম কুইনা ওইরম্বনরা নুপী অঙাংগী নুংশিবগী ঈথিল মথম্মোয়দা মবুক থন্না য়াওই। অঙাংশিংগীদমক ইখিবা লাইরিকশিং অমদি মীরোলদা (ইংলিস) হন্দোক্তুনা মালেমগী অঙাংশিংদা লৌশিং পীখিবা লাইরিক খরা পনবা তাবদা The Hornbil Bird, The Long Arm Demoness, Tapta, Rongmei Mai and Lanbung, My doll My Mate অমদি Sanarembi and Chaishra পনবা য়াই। মসিগী মথক্তা কুমজা ২০০১দা বেষ্ট ষ্টোরিগী মনা ফংখ্রবা ‘প্রজাতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমগী ৱারী’, লোয়নননা কুমজা ২০২৪দা বাল সাহিত্য পুরুস্কার মনা ফংলবা ‘মালেম অতিয়া’ হায়রিবশিং অসি নুপী ওফিসর অমগী অরাইবা লিচৎনি করম্না খনগনি।

কুমজা ১৯৫৯, সেপ্টেম্বর ১দা ক্ষেত্রিময়ূম য়াইমা অমদি ক্ষেত্রিময়ূম ওংবী থম্বালগী মমোম ওইনা ফংজখি। শান্ন-খোৎনবদা ঙাওজবা খোমদ্রাম দোরেন্দ্রোগা য়ূম্বানমিন্নখি। হৌজিক্কী লৈফমদি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকায়দনি। অইবী অসি মায়থোঙ কয়াদা খূৎ থাই। ৱারেং, শৈরেং, নোভেল, রেদিও দ্রামা, ফোক টেল, চিলদ্রেন লিটরেচর, বাইওগ্রাফি, ত্রেভেলোগ, কোমিক, ঈশৈ, ফিল্ম স্ক্রপ্ট। উকিলগী শিনফমদগী হৌরকপী ওইবনরা খঙদে সুবদনি ৱাঙাঙনা নুপা ওইরিবা অদুগা সোশল ৱেলফেয়রগী নুপী অঙাংগা লোয়নরকপনরা ৱাখলনা মমা ওইরিবা। নুপাগী লিচৎ লোইশিনহনখিবসি অপোকপী মমানা সুপরভাইজর শিনফম পায়হনখিবসিননি। অদুবু অইবী ওইরক্লবগী ঈথিলসিদি উকিল ওইদুনা মীয়ামগা থেংনখিবা অদুদগীনি হায়বদসু পুন্নান লানবদি নত্তে। মশাগী চহী ১২ রোম শুরকপা, মহৈগী থাক্না ক্লাস সিক্স তম্লকপা মতমদগী শৈরেং ইবা হৌখিবা মহাক্কী শৈরেং লাইরিক ইহান হান্না ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক ‘শজিবুগী লৈরাং’ ১৯৭৫দা মহৈগী থাক ক্লাস টেন তম্না তম্না ‘মাঙখ্রবা ঈশৈগী শুর’, ‘বি এ’ তম্লকপা মতমদা নোভেল ‘লাইবক’ ফোঙখি। চাওরাক্না ইখিবা লাইরিকসি মশীংদা ১৫ শুরে।



মায় পাক্লবা নুপা অমগী মরুমদা নুপী অমনা চৈঙাক ওইদুনা লৈ। মায় পাক্লবী নুপী অমগী মরুমদনা নুপা অমনা চৈঙাক ওইদুনা লৈগল্লি হায়বা ৱাফমসি অখণ্ড অহৈশিংনা ঙাঙনবা ৱানি। অদুবু সুবদনিনা মায় পাকপগী ঙাক্লৌদি মতোমতা ওইখি। ওফিসকী চিল্লবা মথৌগী তাল্লক্তা সাহিত্যগীলৈচল শেল্লি হায়বা নুংশিবী মনেম্না খঙবী। ইমুংগী কুপনোম থৌদাং তৌদা য়াদে হায়বগী অকনবা য়াথং মনেম্না থল্লক্তে। মচা অনী য়াইফবা অমদি লিন্থোইবু শেন্নবীনবা তেংবাঙবী থম্বদসু মনেম অমদি মপুরোইবনা য়ানীংদবা লৈখিদে। মতমগী শাফূ কয়ানা ওফিসকী কোকথক্তা নন্থরকখিবা ৱাথোক কয়াসু ওফিসকী মকোক অমা ওইনা চিংদা-মান্দা কাদুনা ৱাতেম্নখি। ওফিসকী মতমদা ৱাথোক অমত্তা লোইশিন্দনা থল্লমদে। সী দি পি ও ওইবগী হৈশিংবা অমদি উকিল ওইরকপগী খঙবা অনী অসিনা শেমখিবা য়াম্না মপূং ফারবী অইবী অসিদা ঙসিদি নেশনল অমদি ইন্টরনেশনলগী থাক্তা মনা মথুম কয়া লান্থোকপবু করিদা ঙক্লিংঙাই লৈবগে।

ডা. অম্বেদকর ফেলোসিপ এৱার্দ ২০০০ (ন্যুদেল্লী), রবিন্দ্রনাঠ টেগোর নেশনল এৱার্দ ২০১৪, হিজম ইরাবত নেশনল এৱার্দ ২০১৫, লাইফটাইম এচিভমেন্ট ইন্টরনেশনল এৱার্দ ২০১৮ (বেঙ্কোক), মাউন্ট মণিপুর ভারত রত্না ডা. বি আর অম্বেদকর ইন্টরনেশনল এৱার্দ ২০২৩ (অন্দমান নিকোবর), ইন্দো জপান ফ্রেন্দসিপ ইন্টরনেশনল এৱার্দ ২০২৪ (জপান), সাহিত্য ভুষণ ২০১৫, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ (শিলোং), পাচা মৈতৈ লিটররি এৱার্দ ২০২০, ডা. ময়েংবম কমলা শৈরোল মনা ২০২০ (শৈপাল), বেষ্ট ফিল্ম অমদি বেষ্ট দিরেক্টর ২০২৩ (প্রাগ সিনে এৱার্দ, গুৱাহাটি), ‘অশেংবা ইরল’, বেষ্ট ফিচর ফিল্ম (৬শুবা ইন্টরনেশনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৫, ঔরঙ্গবাদ), বেষ্ট ফিমেল এক্টর অমদি বেষ্ট পিপল চোইস এৱার্দ (ইবোক, শোর্ট ফিল্ম) খরদং পল্লবনি। অইবী অসিনা খূৎ থারুবা খুদিংমক মনা মথুম কয়া লোয়নবা ঙাক্তনি। মসিগী মরু ওইবা মরম অমা হায়রগদি অইবীসি থম্মোয় য়াওনা থবক তৌবগী মমি তাই। মীগী তৌবীমল কাউদে। লমন তোন্দবা মীওই অমা মতম পূম্বদা ওইনবা হোৎনবা হায়বসি মাগী শোয়বা ঙমদ্রবা অথোইবা মথৌদাংনি খন্দুনা ঙসিসু মথৌ মশীং খঙদনা পাঙথোক্লি।

অইবী অসি চুম্না ইবখক্তা নত্তনা সাহিত্যগী লূপ কয়াগী থৌপুবী ওইখি অমদি হৌজিকসু ওইরি। মহিলা কাব্য মন্স মণিপুর চেপ্টরগী প্রসিদেন্ট, ক্ষেত্রিময়ূম য়াইমা মেমোরিএল ত্রষ্টকী চ্যেরপর্সন, সিনে রাইটরস এন্দ প্লেরাইটস ফোরমগী ভাইস প্রসিন্টে, শোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী জেনরেল কাউন্সিল মেম্বর, লৈকোলগী হান্নগী প্রসিদেন্ট, মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী লাইফ মেম্বর, লোয়নননা শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপ, কলচরেল ফোরম মণিপুর, পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম, সাহিত্য প্রেমিনচিংবগীসু লাইফ মেম্বর ওইরি। খুন্নাইগী থবক থৌদাং কয়াদা নুপা-নুপী খায়না থম্বসি মাগী নুংঙাইজদবনি। থবক পৌনা তৌবগী হৈনবী লৈ। থবক মচা থবক অচৌবা হায়বসিদা চঙলিবা মতমগী মমল অদুদা খেন্নদবনা মখূৎ চাওই। চিনগা খূৎকা মান্নে। হায়নখিবা ৱা শোয়বদা শাউই। থীনা থীনা ঙাঙবদা লৌশিং হাপ্পিবনি খন্না লৌশিল্লি। মীপান তাংদনবা হোৎনৈ। থবক শুবদা হন্দবা নুপী ওই।

অইবী ক্ষেত্রি সুবদনিনা হৈনজবশিংগী মরক্তা মীগী থৌদোক (লীলা, সিনেমা, দ্রামা) য়েংলগা ক্রিটিসাইজ তৌবা নৎত্রগা প্রমোশন পীবা য়াম্না পাম্মী। অফবনা ফৈ, ফৎত্রগনা ফত্তে হায়বদা লৌথুপ লৌকোই নাইদে। দোং দোংগী মীনি। নুপীলক্তগী চং থোকপীনি। মফুরুপকী নাৎ কলচর ঙাক্না চৎলি। মরৈবাক্কীদমক কখোকপদা পাম্মুদে। মাগী খূৎইদা মীওইবনা অঙাং ওইরিঙৈদগী অহলগী খম থেংবা মতম ফাওবা পাংদিং মান্ননা নুংশিদুনা থমগদবনি হায়বগী ৱারেপ লৌবগুম উরি। ৱাখলবু ইথোক্তুনা থল্লম্বসি হয়েংগী লন শেমগৎলিবনি হায়জৈ। লোয়ননা তিন্নবা মরোই মনাওদা ঈ মরীমক্লুম শেৎতোক্লবা ঙমদনা নুংশিবা মরী থম্মী। ওইজবা থিদে, পামজবা ঙাইদে, পুম্নমক্কী য়াংলেন শরূদি নুংশিবনি খল্লি। খোঞ্জেল পৌবী অইবী অসি নুংশিবা শুরনা হেন্না ঙাঙবা পাম্মী। পূন্সিগী মরেপ খঙনা হিংই। চহী পারগা থবক পাংই। পংই ইবা নত্তবা ক্ষেত্রি সুবদনিগুম্বী অইবা মশীং য়ামখৎলক্লবদি হৌজিক্কী মণিপুর সাহিত্যগী পূক্কে মবুক চোন্না হয়েংগী মীরোলনা থেংনহৌগনি। ●

# ফজবা ৱাহৈ, ফজবা লমচৎ তঙাইফদে

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

ঐখোয় মীওইবা অসিনা খুন্নাই অমা লিংদুনা পূন্না হিংমিন্নরিবা, পূন্না লৈমিন্নরিবা অসি ফজবা ৱাহৈ, ফজবা লমচৎনা চেপশি পয়া অমেংবনা শীংজা কোকথোংলকপগুম্না লাকশিন্দুনা হিংমিন্নরিবনি, লৈমিন্নরিবনি ঐখোয় পূন্না। লোল ফাওনদবা কয়া, ধর্ম্ম পুন্দবা চীঙ্গাক তিন্নদবা কয়া লোয়নরিবা কয়া অসি থম্মোয়দগী থোরকপা ৱাহৈ, মাগী মাগী ফজবা লমচৎ-শাজৎ অদুনা পূম্নমক লাকশিল্লিবনি, পূনশিল্লিবনি। ফজবা ৱাহৈনা অশাওবা, খোইরাং খোইশাওনরবা, নাকপাক তানা লৈরম্বা কয়া ফজবা লৈশি লৈথোনবা ৱাহৈনা অশাওবসু হন্থহল্লি, খোইরাং খোইশাওনরম্বা, নাকপাক তান্নরম্বা কয়াদু ৱাতেল্লিবা মাগী ফজবা থোৎ মেংবা ৱাহৈদুনা শাওনবা, য়েংথিনবা পূম্নমক ফাথবা ঙল্লিবনি।

লমচৎ ফজবা চৎপা নুপা-নুপী খুদিংমক মীয়াম্না ইকায়খুম্নৈ, মীয়ামগী ফিদা ফংই। মখোয়গী য়েক্লবসু লৈতে, মরুপ-মপাংদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই। অথেংবা অহিংগী অমম্বসু মাগী মফমদদি মাঙদা মৈরানা মঙাল পীরকপগুম নুংঙাইনা চৎলি। হায়নবসু লৈ তাইবঙ মীগী ইঞ্চি অহুম খক পাকপা চিনদি মেনবা ঙমদে, ফুট ১০০/২০০ পাক্না কায়বা থিঙেলদি মেনবা ঙম্মী। মসিনা তাক্লিবদি মীওইবা ঐখোয়গী চিনবাননা ঙাঙথোরকপা ৱাহৈ, শকতোরকপা ঈশৈগী সুরদা চহী দিকেট কয়া মীওইবগী পূক্লিং ৱাখল পূম্নমক ফাথহনবা ঙম্মী। শৈদা শৈদাগী মতুংইন্না কনাবু কপহল্লি, কনাবুনা নোকহল্লি। থাবল ফবা অহিংগী ৱাহন্থোক লিশীং লিশীংনি। মী মীগী মফমদা থাবল ফবা অহিংগী ৱাহন্থোক মালেমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কী মফমদা অমত্তা মান্নদে। থাবল ফবা অহিংদা নিঙোল ওইবী কয়ানা থাজগী মায়থোঙ য়েংনা য়েংনা মীৎকী পিরাং শিন্থরক্কনি। কনা অমনা হরাওবা নুংঙাইবনা পনখৈ য়ৌনা নুংঙাইজবা কোঙ্গাইনি। লুচিংবা অমনা ঙাঙবা ৱাহৈ অদু মীয়ামগী নাকোং য়ৌবগা ফজবা ওইরগনা হরাওবা, নুংঙাইবা ওই। মদুনা মীয়ামগী থম্মোয় শোকপা ৱাহৈ ৱাতা ওইরগনা মীগী থম্মোয় কায়বা ওইরগনা মুৎলোইদৌবা দাগফম অমা ওইনা লৈহৌরগনি।

মীয়াম মরক্তা হিংমিন্নরিবা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ ফূরুপ খাইদুনা ৱাকায় ঙাঙলকপা খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। ঙসিদি সোশল মীদিয়ানা অমনা অমগী হায়নীংবা হায়বা, ঙাঙনীংবা ঙাঙবা, ইনীংবা ইদুনা কাঙলূপকী ঈরাং শাগৎপা য়াম্না ফত্তবা থবকশিংগী মনুংদা অমনি। অফবা মীতৈ কয়া লৈ, ফত্তবা মীতৈ কয়াসু লৈ। মীতৈ পাঙল অফবা মীওই কয়া লৈ অদুগা ফত্তবা কয়ামসু অদুমক লৈ। নাগা, কুকি, মীতৈ পাঙল মসিদা নত্তনা লল্লোন ইতিক তৌনবা মণিপুরদা লৈরি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাক্লগা ইম্ফাল সহরদা থবক শুবা শিন্মীদগীনা অচৌ অচৌবা করবার তৌরিবা মীওই খুদিংমক অফবা কয়াসু লৈগনি, ফত্তবসু য়াওগনি। মসি পূম্নমকসি য়েংদুনা ফত্তবা থবক তৌরিবা খুন্নাইগী মায়োক্তা থবক তৌবা অদুতমক মরাল লৈবা-লৈতবা আইনগী ৱায়েল বিচারনা লেপচসনু। মীতৈনা অদু তৌরে, ঐখোয়বু নমথবীরে, তুহৎপীরে হায়বা ৱাহৈ অসি ষ্টেট অসিদা পূন্না খুন্দা লৈতামিন্নরিবা কাঙলূপ ফূরুপ অমনা অমদা ফত্তবা তৌরগা মী মীদুগী কাঙলূপ ফূরুপ অদুবু পূন্না চিংথবগী ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নবনা ঐখোয় মশেল মরক্তা নুংশি চান্নবগী চাং হন্থহন্নবা মচাক ওইনবগী মরম ওইহল্লি।

ইশম শম্না লম্বীদা চ্যেক তৌবা পুলিসনা গাড়ীগী চে চাং শুই-শুদে হায়বগী মিংদা লম্বী চৎলিবশিংবু গাড়ী খামহন্দুনা চ্যেক তৌই। মদুদা লম্বী ময়ায়দা গাড়ী খাম্বা য়াবা হৌনদে মফম চাবা য়েংদুনা নাকলদা খাম্বা তাবনি। মদুদা গাড়ী খাম্মু হায়রবদি খাম্বা য়াদরা হায়দুনা ধমকা তৌদুনা মখোয়বু পোকপা য়াবা ময়াম্বা, মচেগুম্বা কয়াদা শীজিন্নরিবা খোন্দাসিবু নখোয় পূন্সি চূপ্পা পুলিস ওইদুনা হয়েং অশি লৈবাক্কী যমরাজ ফাওবদা মুকপা ঙমগদৌরিবরা। ফজবা ৱাহৈনা মীনা মীবু লোয়নবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। পোলিটিক্স তৌরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লৈঙাক পায়রিঙৈ ওপোজিশন অমদি মখোয়গী মরমদা অফবা ফত্তবা কয়া হায়বা অমত্তা য়ারোই হায়বা হৌখিবা কয়া থিবোং থিরিল পুথোক পুথোক্তুনা চৈনবা মসিমক অফবা নত্তে। খুদোম্বী শিংদুনা মমিৎ শুক্তোক লাউথোক্তুনা ঙাঙবা, শকপা, চৈবা অফবা নত্তে। ঙসিগী ইন্দিয়া, ঙসিগী মণিপুর অসিবু অলাউদ্দিন লেম্প অমনা যাদুগী থোকউ হায়বদা থোক, ওইয়ু হায়বদা ওই, লৈয়ু হায়বদা লৈরকপা নত্তে হায়বা অসি ঐখোয় পূম্নমক খঙমিন্নবা অমদি খন্থমিন্নবা অমা চংই। মী খুদিংমক এম এ, ডোক্টরেট দিগ্রী ওইদুনা পোক্লকপা নত্তে। মথং মথং থাক-থাক নাইনা লাক্লগা ঙসিগী ফীভম অসি ওইরকপনি। শোয়রিবা কয়া মেনখৎহৌনবা হোৎনবা হায়বা অসিদি মতম মতমগী পাল্লিবা লৈঙাক অদুগী মথৌনি হায়বা অসিদি লাইরিক লাইশু হৈবা লৈবাক্কী খনবা খুদিংমক্না ইশেং শেংনা উবা ঙম্বা ঙাক্তনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুনখিবদগীনা ঙসি ফাওবগী ওইরম্বা, ওইরক্লিবা, ওইরক্কদৌরিবা, ওইহন্নীংলিবা পূম্নমক মতম মতমগী পাল্লিবা লৈঙাক অদুগী থৌদাংনি। মফম মতম চানা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপা, খঙহৌদনা থোরকপা ঈরাং, মীশি মীনা নেচরেল কেলামিটি খুদিংমক লৈঙাক্না থেংনরগা মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন থুম ঙাক শেনবসি মখোয়গী মথৌনি হায়বসিসু তঙাইফদবনি।

ফজবা ৱাহৈ, থোৎলবা-মেংলবা খোন্থোক্না মীয়াম্বু হুমদুনা পুনবা হোৎনবীয়ু। শক্তি পায়রিঙৈদা শক্তি য়াওদ্রবা মীদা ওনশিন-ওনশিন চিকপা, হু কামশিনবা অফবা নত্তে। মালেমদা লৈরিবা খুদিংমক পোকপা-শিবা নাইবা ঙাক্তনি। লোইখিনি, চৎখিনি মতমগী ঈচেলনা হুমদুনা পুখিগনি। ৱাজাও ঙাঙবা পোলিটিকেল পার্টিগী মতুং ইনবা খোঙলোই শিদ্রিবা ফাওবা ফমদু কোনবা য়ারোই। মতুং ইনবা মিনিষ্টর মানবা, শক্তি লৈবা শাবা খোঙলোই, লম্বী সড়কতা অচৎ অওক্তা চ্যেক তৌরিবা সিক্যুরিটি ফজবা ৱাহৈ শীজিন্নবীয়ু। হে, হা, দুত-দাত হায়বা ফজদে। ইয়াম্বা, ইনাও, ইচে, ইমা, ইপল, খুরা হায়না কোলোইনবীয়ু। কৈরোই লৈকায়দা ৱাহৈ ৱাতা ফজদবা ঙাঙবা-শকপা মীবু কনানসু ইকায়খুম্নবীদে। মসিগা চপ মান্নবনি খুন্নাই অমা পানবদা অচৎ চৎতা হায়বা অমা লৈবনি। ৱাহৈগী খোন্থোক অনেম অৱাং করম্বা মতমদা শীজিন্নগনি হায়বসি মমুৎ তানা খঙগদবনি। মী মরক্তা মীনা মীবু থক খা, অনেম অৱাংগী খোন্থোক মতাং মতম চানা শীজিন্নদ্রবদি ফজদবা ওইরকপনি।

লমচৎ শাজৎ ফজবা ৱাহৈ ৱাতা নিংথিজবা, চাকচা হৈজানবদা চংখোনবা হায়বসি মীওইবগা তৎনা থানবা য়াদ্রবা মচৎনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ফজদবা ৱাহৈ খোন্দা, চৎনবা য়াদবা লমচৎ-শাজৎ লোয়নরবা মীদু মশানা মশাবু অথোই নাপল কারবা থাংজিনবা হৌরবনি মাগী পূন্সি খোঙচৎ মীয়ামদগী লাপথোকপা হৌরবনি। ঐখোয় মীওইবা ঙাক্তনি। হিংমিন্নসি লোয়নমিন্নসি নুংশি চান্ননা। খুদুম শীংদুনা লাকপনি, খুবাক তিংনা হনখিগদৌবা ঙাক্তনি। চেপসি পয়া অশেংবনা শীংজা কোকথোং লাকপগুম লাকশিনমিন্নসি, ফজবা ৱাহৈ, ফজবা লমচৎনা ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।